**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04.06.2024)**

**কাউন্টিং ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরগী সিট অনিমক ইন্দিয়া ব্লোকনা পুন্না থাগৎপা কংগ্রেস মীরেপনা শোয়দনা ফংলগনি।

ভোট মশিং থিবা লোইরকপদা ইন্নর মনিপুর লোক সভা সিটতা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মাগী খ্বাইদগী নকবা লম্বা বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্তকুমারদগী ভোট মশিং লাখ ১ লিশিং ৮,৪৬১ হেনদুনা লৈরি। অরোইবা ফল লাউথোক্কদবদা ঙায়রে।

সিট অসিদা শ্রী বিমোল অকোইজমনা ভোট মশিং লাখ ৩ লিশিং ৭০,৬৭৮ ফংবদা বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ভোট মশিং লাখ অনি লিশিং ৬২,২১৭ ফংলে। রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া-আর.পি.আই. (অথাৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজমনা ভোট মশিং লাখ অমা লিশিং ৩৪,৩০৮ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ইন্দিপেন্দন্ট মীরেপশিং-রাজকুমার সোমেন্দ্রো (কাইকু) না ভোট লিশিং ১২,৮৯২, মোইরাংথেম তোতোমসনা (নোংশাবা) না ভোট মশিং লিশিং ৪,৮৩১ অমসুং ঐচ. সরত সিংহনা ভোট লিশিং ১,২৭৯ ফংখি। নোটাদা ভোট লিশিং ৩,৭০৭ থাদখি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতনা মীরেপ মরি লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেন্দ কাঙম আথরনা ভোট মশিং লাখ অহুম লিশিং ৮০,৭৯৩ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। মহাকা মাগী খ্বাইদগী নকবা লম্বা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) কী কে. তিমোথি জিমিক্তগী ভোট মাং লিশিং ৮২, ৬২৯ হেনদুনা লৈরি। শ্রী জিমিকনা ভোট মশিং লাখ অনি লিশিং ৯৮,১৬৪ ফংলে। অতৈ ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং-এস. ফো জোননা ভোট মশিং লিশিং ৮৯,৪৯৬ অমসুং ডা: এলিসন অবোনমাইনা ভোট মশিং লিশিং

১৪,৮৫৩ ফংলে। নোটাদা ভোট লিশিং ৬,৪৮৭ থাদখি।

কংগ্রেসকী মীরেপ অনিনা মনিপুরগী লোক সভা সিট অনিমক শোয়দনা ফংলগনি হায়বসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-

**কাউন্টিং (এল)ঃ** মনিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী ভোট মশিং থিবা লোইরে। সিট অনিমক কংগ্রেস দলনা ফংলে। অদুবু, ওফিসিএল ওইনা লাউথোক্কদবদি ৱাৎলি।

ঙসিগী ভোট মশিং থিবা অদু শান্তি ওইনা অমসুং অশোয় অঙাম য়াওদনা চখখি। পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদুনা মশিং থিখি। অয়ুক পুং ৮ দগী ভোট মশিং থিবা হৌখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী পুন্না এসেমব্লি সেগমেন্ট অহুমগী ভোট মশিং থিবা লোইরদুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক্তা স্ত্রোং রুম থোং লোনশিনখ্রে।

**রিজল্ট ঃ** এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগা জন্ অমা ফাওবা তাঙ্কক তরেৎলক থোকা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিবগী থবক হৌজিকসু লেপ্তুনা চখরি। পুন্না সিট ৫৪৩ মক্কী মীখল পাঙথোকখি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা বি.জে.পিনা সিট ৭৩ দা করে, ১৬৮ দা মাংজিল থারি। ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা হৌজিক ফাওবদা সিট ৩৩ ফংলে। সিট ৬৫ তা মাংজিল থারি।

জনাতা দল সেক্যুলারনা অনি কারে। আম আদমি পার্টিনা অমা কারে, অনিদা মাংজিল থারি। সমাজৱাদি পার্টিনা সিট ১ দা কারে, ৩৬ তা মাংজিল থাদুনা চৎলি। ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ৩০ দা মাংজিল থারি। দি.এম.কেনা ২২ দা, তেলেগু দেসমনা সিট ১ কারে, ১৫ দা, জনতা দল য়ুনাইটেদনা ১২ দা মাংজিল থারি। শিবা সেনা (উধপ বালাসাহেব) না সিট ১

কারে ৯ দা মাংজিল থারি। এন.সি.পি. (সরতচন্দ্র পৱার) না তরেৎতা মাংজিল থারি। শিবা সেনা (এস.ঐচ.এস) না তরুক্তা মাংজিল থারি। লোক জনা শক্তি পার্টি (রাম বিলাস) না মঙাদা মাংজিল থারি। ৱাই.এস.আর. কংগ্রেস পার্টিনা মরিদা মাংজিল থারি। আর.জে.দিনা মরিদা মাংজিল থারি। সি.পি.আই (এম) না সিট অমা কারে, অহুমদা মাংজিল থারি। ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগনা অহুমদা মাংজিল থারি। জে.এম.এমনা অহুমদা মাংজিল থারি। সি.পি.আই (এম.এল. লিবরেসন) না অনিদা মাংজিল থারি। ভি.সি.কেনা অনিদা মাংজিল থারি। সি.পি.আইনা অনিদা মাংজিল থারি। আর.এল.দিনা অনিদা মাংজিল থারি।, নেসনেল কনফরেন্সনা সিট ১ কারে, ১ দা মাংজিল থারি। অসোম গন পরিষদনা অমদা মাংজিল থারি। কেরলা কংগ্রেসনা অমদা মাংজিল থারি। আর.এস.পিনা অমদা মাংজিল থারি। এন.সি.পিনা অমা কারে। ভোইস ওফ দা পিপলস পার্টিনা অমা কারে। জোরাম পিপলস মুভমেন্টনা অমদা মাংজিল থারি। বি.জে.দিনা অমদা মাংজিল থারি। সিরোমনি অকালি দলনা অমদা মাংজিল থারি। রাস্ত্রিয়া লোক তন্ত্রিক পার্টিনা অমদা মাংজিল থারি। ভারত অধিভাসি পার্টিনা অমা কারে। সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চানা অমা কারে। এম.দি.এম.কেনা অমদা মাংজিল থারি। অজাদ সমাজ পার্টি (কানসিরাম) না অমা কারে। অপানা দলনা অমদা মাংজিল থারি। এ.জে.এস.য়ু. পার্টিনা অমদা মাংজিল থারি। এ.আই.এম.আই.এমনা সিট অমদা মাংজিল থারি।

মায় পাক্লবা মীরেপশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনচিংবা য়াওরি।

উত্তর প্রদেশকী বরানাসি সিটতা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেসকী আজয় রাইবু ভোৎ লাখ ১ লিশিং ৫২,৫১৩ হেনদুনা কারে। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা কংগ্রেসকী মীরেপ সোনাল রমনভাই পাতেলবু গুজরাতকী গান্ধিনাগর সিটতগী ভোৎ লাখ ৭ লিশিং ৪৪ হেনদুনা কারে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অনুরাক সিংহ ঠাকুরনা হিমাচল প্রদেশকী হমিরপুর সিটতগী কংগ্রেস মীরেপ্তুগী ভোৎ লাখ ১ লিশিং ৮২ হেনদুনা কাখি। অরুনাচল প্রদেশ ৱেষ্ট সিটতগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না কংগ্রেস লুচিংবা নবাম তুকিবু ভোৎ লাখ ১ গী মথক্তা হেনদুনা কাখি। মধ্য প্রদেশকী গুনা সিটতগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্যেতিরা অদিত্যা সিন্দিয়ানা মহাক্কী লম্বাদগী ভোৎ লাখ ৫ লিশিং ৪০ হেনদুনা কাখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা করনাটক্কী ধরৱাল সিটতগী মায় পাক্লে। কংগ্রেস লুচিংবা শশি থারুরনা কেরলাগী তুরভনন্থপুরম সিটতা মায় পাক্লে। বি.জে.পি লুচিংবা শিবরাজ সিংহ চৌহান মধ্য প্রদেশকী বিদিসা সিটতগী মায় পাক্লে। জনতা দল সেক্যুলরগী লুচিংবা ঐচ.দি. কুমারা স্বামি করনাটক্কী মনদিয়া সিটতগী কারে। বোল্লিৱুদ ফিলম ষ্টার অমসুং বি.জে.পি মীরেপ কংগনা রানাউথ হিমাচল প্রদেশকী মনদি সিটতগী কারে। বি.জে.পিগী বিপ্লব কুমার দেবনা ত্রিপুরা ৱেষ্ট লোক সভা সিটতা মহাক্কী লম্বাদগী ভোৎ লাখ ৬ হেন্দুনা কারে।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ লখনৌ সিটতা মহাক্কী খ্বাইদগী নকবা লম্বা সমাজৱাদি পার্তিগী মীরেপতগী ভোৎ লিশিং ৯৬,১৫৪ মাংজিল থাদুনা চৎলি। রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা কংগ্রেস মীরেপতগী ভোৎ লাখ ১৩ মাংজিল থাদুনা চৎলি।

বি.জে.পি অরুন গোবিন্দ মিরত সিটতা মাংজিল থানা চৎলি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি স্মৃতি ইরানি অমেথি সিটতা কংগ্রেস মীরেপ কিশোরিলালদগী ভোৎ লাখ ১ লিশিং ৬১,২৬৬ শোত্থনা চৎলি। বি.জে.পিগী মীরেপ মেনেকা গান্ধি সুলতানপুর সিটতা সমাজৱাদি পার্তিগী মীরেপ্তুগী ভোৎ লিশিং ৪৩,৮৯৬ শোত্থনা চৎলি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি উত্তর প্রদেশকী রাই বরেল্লি অমসুং কেরলাগী ৱায়ানর সিটতা মাংজিল থানা চৎলি। সমাজৱাদি পার্তি মকোক অখিলেস যাদব য়ু.পিগী কনৌজদা মহাক্কী লম্বাদগী ভোৎ লাখ ১ লিশিং ৬৯ হেনদুনা চৎলি। সমাজৱাদি পার্তি লুচিংবা অমসুং অখিলেস যাদবগী লোয়নবী

দিম্পল যাদব মেনপুরি সিটতা মহাক্কী লম্বাদগী ভোৎ লাখ ২ লিশিং ২১ হেনদুনা চৎলি।

**মেঘালয় ঃ** মেঘালয়গী তুরা লোক সভা সিট কংগ্রেসনা লৌরে। দল অসিগী মীরেপ সালেং এ. সংমানা এন.পি.পিগী মীরেপ অগাথা কে. সংমাবু ভোৎ লাখ ১ লিশিং ৫৫,২৪১ হেন্দুনা কাখি। অগাথা সংমা তুরা লোক সভা সিটকী সিত্তিং এম.পিনি অমসুং মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমাগী মচন নুপীনি।

**জেকে ঃ** লোক সভা মীখলগী ভোৎ হায়দোরকপদা জম্মু কাশ্মীরদা অনৌবা অওনবা কয়া উবা ফংলে। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লা অমসুং মেহবুবা মুফতি মীখলদা মায়থিহৌরে। পি.দি.পিগী মীরেপ মেহবুবা মুফতি নেসনেল কনফরেন্সকী মীরেপ অমসুং গুজার লুচিংবা মিয়ান অলতাফ অহামদকী মখুৎতা আনন্তনাখ-রাজোরি সিটতা চাউনা মায়থিহৌবনি।

নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমর অবদুল্লাবু বরামুল্লাহ লোক সভা সিটতা হান্নগী এম.এল.এ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ শৈখ অবদুল রসিদনা মায়থিবা পীরম্বনি। নোর্থ কাশ্মীর সিটতা পিপলস কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট সজাদ গানি লোনে মায়থিহৌরে।

**কংগ্রেস (এল) ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী ওইবা মীফম অমা নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী ওফিসাতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়- ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্তুনা জনতা দল য়ুনাইতেদ অমসুং তেলেগু দেসম পার্তিবু মখোয়গা পুন্না চৎমিন্ননবা হায়জগনি। শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়- কেন্দ্রদা ইন্দিয়া ব্লোকনা সরকার শেমবগীদমক মখোয়দা হায়জগদবনি। মরম অদুনা ব্লোক অসিদা য়াওরিবা রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্কনি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খরগেনা হায়- লোক সভা মীখলগী ফল অসিনা তাকপদি মীয়ামা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা লৈ হায়বদু উৎপগা লোয়ননা বি.জে.পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়- মীখলগী হৌজিক ওইরিবা ফল অসিগী মতুংইন্না মীয়াম অমসুং গনতন্ত্রগী মায় পাকপনি।

**স্কুলঃ** মনিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম হাংলগনি। অদুমওইনমক, ঈচাওনা শোকহল্লবা স্কুলশিংদি মখা তানা থিংখিগনি।

রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দাকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ঈচাওনা শোক্তুনা থিংলিবা স্কুলশিং অসিগী অকুপ্পা ফিভমগা রিপোর্ট মরি লৈনবা জেট. ই.ওশিংনা পীখৎলক্লবা তুংদা স্কুলশিং অসি হাংদোকপগী মতম লেপকনি। ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা স্কুলশিং অসি মমাং থাগী ২৯ দগী থিংদুনা লাকপনি।

**ওবিট (এল) ঃ** লৈখিদ্রবা মনিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহগী লোয়নবী-রাণি খেরদানি (এলাংবী) দেবী ঙসি অয়ুক অঙনবদা সনা কোনুং ইম্ফালদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯০ শুখ্রে। রাণি খেরদানি সাহিত্য অমসুং মহৈ মশিং তম্বদা থৱায় য়ামা য়াওবা মীশক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মনা কয়া কৎলম্মী। মহাকা কৎলম্বা মনাশিং অদুদি-মনিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালদা শেল ওইনা পীগদবা মনা-রাণি খেরদানি (এলাংবী) দেবীনা মনা অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী দি.এম. কলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালদা রাণি খেরদানি (এলাংবী) দেবী গোল্ড মেদল এৱার্ড অসিনি।

**রিক্রুটমেন্ট(এল) ঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী অগাবির বায়ু (ম্যুজিক্সিয়ান) লৌনবা হয়েং ফাওবগী মনুংদা ঐচ.টি.টি.পি.এস. কোলোন দবল স্লাস অগাপথ

বায়ু দোট সি.দি.এ.সি. দোট ইনদা রেজিস্তার তৌবা য়াগনি।

রিক্রুটমেন্ট রেল্লি লাক্লিবা জ্লাই অহুমদগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**প্রোগ্রাম (এল) ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবা থৌরম- মীকপ থোক্লশিগী ১৯ শুবা তাঙ্কক্তা- লায়েং পথাপ শোইবগী খুদোংথিবশিং হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**অসাম ঃ** অসামদা জিলা ১০ গী মীওই লাখ ৬ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োক রি। হায়রিবা জিলাশিং অসিদা রাজ্য সরকারনা রিলিফ কেম্প ১৯১ অমসুং তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকবা সেন্তর ১০৮ হাংদোক্লে। মী কনবা অমসুং তেংবাংগী থবক্তা এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফকী কাংবুশিং শিজিন্নরি। সরকারগী পাউনা হায়- কছার জিলাদা ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই মরি শিখ্রে, মীওই মরিনা থিবা খঙদনা লৈরি। ঈচাউ অদুদা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীগী মশিং ১৮ শুখ্রে।

ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা খুঙ্গং ৫৫৭ শোকপগা লোয়ননা মহৈ-মরোং থাবা মফম হেক্তর লিশিং তরুকলোম মাঙ তাকে। ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা ন্যু হাফলোংদগী চন্দ্রনাথপুর সেক্সনগী রেলৱে লাইনশিং নোর্থ ইষ্ট ফ্রান্টিয়ার রেলৱেজনা কেন্সেল তৌখি। মসিগী মথক্তা হয়েং ফাওবা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজনা অতোপ্পা রেলগাড়িশিং কেন্সেল তৌখ্রে।

অমরোমদা, গুৱাহাতিগী পান্দু বোড়ো বজার, গ্রামিয়া নাগর অমসুং মালিগাউগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী চিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লে। মফমদুদগী মীওই তরুক অশোয় অঙাম য়াওদনা কলহৌরে।

**স্তোক ঃ** লোক সভা মীখলগী ফল ময়েক শেংলকপগা লোয়ননা ঙসি নুমিৎয়ুংবা

মতুংদা স্তোক মার্কেটতা পোইন্ট লিশিং তরুক হেন্না হন্থরকখি।

নুমিৎয়ুংবা মতুংদা বোম্বে স্তোক একচেঞ্জকী ইদেক্স চাদা ৬.৭১ হন্থরকখি হায়বদি পোইন্ট লিশিং ৫,৬০২ হন্থদুনা পোইন্ট লিশিং ৭১, ০০২ দা লৈখি। নেসনেল স্তোক একচেঞ্জ (নিফতি) সু চাদা ৬.৮৯ হায়বদি পোইন্ট লিশিং ১,৬৩৪ হন্থরকখি।

**ক্রিকেট ঃ** য়ু.এস.এ. অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্থু ওইদুনা হৌজিক চথরিবা আই.সি.সি. টোইন্তি টোইন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অফাগানিস্তাননা য়ুগন্দাবু রন-১২৫ দা থোইখ্রে।

ঙসি অয়ুক গয়ানাগী প্রোভিন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ুগন্দানা টোজ ঙমদুনা অফগানিস্তানবু হান্না বেটিং তৌহনবদা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট মঙা তুরগা রন-১৮৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা য়ুগন্দানা ওভর ১৬ তা ৱিকেট পুমমক তুরগা শুপতগী রন-৫৮ লৌখি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা বরবাদোজগী কেনসিংটন ওভেল ব্রিজ টাউন্দদা ইংলেন্দ অমসুং স্কোটলেন্দ শান্নগনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রান্ট পেরি ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম-দলাসতা নেদরলেন্সকা নেপালগা শান্নগনি। ভারতকী অহানবা মেটচ হয়েং নাসাউ কাউন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা আইয়লেন্দগা শান্নগনি।